# থৌবাল মোইজিংদা মহালা মসজিদ কম্মিটিনা নিশা চাবা য়োনবা তানখায়খ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ১ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোইজিংগী থৌবালময়ুম মহালা মসজিদনা কোনবা মফমদা পোৎচৈ হুরানবগী থৌদোক তোইনা থোকপদগী লমদম অদোমদা নিশা শীজিন্নবা অমদি য়োনবা মী মরাং কায়না লৈরে হায়বগী চিংনবা লৈবদগী মহালা মজজিদ অসিগী কম্মিটিগী মীওইশিং অমদি লৈকায়গী নহাশিংনা নিশা চাবা অমসুং য়োনবা মীওইশিং তানখাইখ্রে হায়রি।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা থৌবালময়ুম মহালা মসজিদ কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী এমদি সহাবুদ্দিননা হায়, মসজিদ অসিনা কোনবা এরিয়াদা পোৎচৈ মাঙবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকপদগী লমদম অসোমদা নিশা য়োনবা অমদি চাবা থিংনবা হোৎনববু লান্না উবীগনু। এমদি ইলিয়াস খান অমসুং এমদি নহা ইথোই হায়রিবা মীওই অনী অসি মশা মশাগী ময়ুমদা দ্রগ য়োনবা মীশকনি। থা অসিগী ২৯ গী নুমিদাংদা এমদি ইলিয়াস খানগী ময়ুমদা কম্মিটিগী মীওই ২০০ রোম্না দ্রাইভ চখ্খি। মদুগী মতুংদা এমদি নহা ইথোইগী ময়ুমদসু দ্রাইভ চখবদা মীওই কয়া মফমদুদা নিশা শীজিন্নরম্বা থেংনখি। নিশা শীজিন্নরম্বা মীওইশিং অদু খারাই খঙদনা চেন্নখি। অদুবু নিশা য়োনবগী থবক তৌবা এমদি ইলিয়াস অমসুং এমদি নহা ইথোইদি ব্রারক ব্রাতেম্নবা কম্মিটিনা ফারগা পুরকখি। মখোয় অনীদা ব্রাহং পাউহং তৌবদা লৈকায় অদুগী নিশা চাবা মীওই খরা মমিং মথাসু হায়দোরকখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুসু কম্মিটি অমদি লৈকায়না কৌখৎলগা ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবীগী লাইশোন তিনশোন তৌদুনা লৌশিং তাহনখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, কনাগুম্বা মীওই খরনা লন্নাই মীওই খরদা অরান প্রচার তৌদুনা মীংচৎ থিহন্নবা থবক চখ্খরকপসি লাইবক থীবনি। নিশা য়োনবা এমদি নহা ইথোইগী ময়ুমদা নিশা চারম্বদগী মায়কৈ শলাই খঙদনা চেনবদা য়াওখিবনি হায়বা মীওই অমা থা অসিগী ৩০ দা শিরবা মতুংদা অতম্ননা লন্নাই মীওই খরনা ফুবদা শিবনি হায়না তাইশিন্নবিরে।

মোয়িয়িং চীংয়া লৈকায়দগী এমদি অব্দুল অলিস রহামন, ৪৫ শিরবা মতুংদা অতম্ননা মীওই অহুমদা তাইশিন্নবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। লৈখিদ্রবা অব্দুল রহামন নহা ইথোইগী ময়ুমদা নিশা চারম্বদা য়াওই নত্ত্রগা য়াওদে হায়বসু খঙদে। অদুবু এমদি অব্দুল রহামন চহী ২০ গী মমাঙদগী নিশা শীজিন্নরক্লবা মীওই অমনি হায়বদি খঙই। দ্রাইভ চৎপদা য়াওখিদবা মশাগী ময়ুমদা পোত্থাদুনা লৈজবা এমদি জাকুর রহামন ফাওবা য়াওশিল্লগা এমদি অব্দুল অলিস রহামন ফুখি হায়না লান্না প্রচার তৌরে। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

এমদি জাকুর রহামননা হায়, মহাক থৌদোক অদুদা শুকয়াও য়াওখিদে। মহাক অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা এমদি ইতুম অমদি রিয়াজ খান মখোয় অহুম্না এমদি অব্দুল অলিস রহামন ফুবদগী শিবনি হায়না ওন্ন-তৈনবা মওংদা কেস পানশিনবা অসি লাইবক থীবনি। মহাকপু মিংচৎ থীহনবা পাম্বা মীওই খরনা থৌওং অসি শিনবনি হায়না মহাক্কী মায়কৈদগী শেংদোরক্লি।



কৈথেলমানবী সেক্টর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙরাং থৌবালদা পাঙথোকখিবা এক্স সার্ভিসমেন রেল্লিদা শরুক য়াখিবশিং

# অপায়বা কূ হায়না খঙনরবা ইন্দিয়াগী অরিবা ফ্লাইটশিংগী মহুৎ টেজাস ফাইটর জেটনা মহুৎ শিল্লগনি



এজেন্সি

বেঙ্গলুরু, জুলাই ১ঃ লৈবাক অসিনা মরোমদোম শাজবা লাইট কোম্বেদ এয়রক্রাফট টেজাস হৌনবী মতুং ইন্না ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী ফ্লিটর য়াওশিনখ্রে।

চহী ৩৩ গী মতুংদা হেন্না ফগৎনবা শেমগৎ শাগৎলবা মতুং এয়রক্রাফট অদু ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী ফ্লিটনা য়াওহনখিবনি। ফ্লাইয়িং দেগর হায়না মিংথোনবা ইন্দিয়ার এয়র ফোর্সকী অনৌবা স্কাদ্রোমদা লৈবাক অসিনা শাজবা এয়র ক্রাফট অদু খুৎশিন্নখি।

সোভেট য়ুনিয়নগী মতমদগী টেক্নোলোজি লৌদুনা লৈবাক অসিনা বিল্লিয়ন দোল্লর কয়া চঙনা এয়রক্রাফট অদু য়ুমথংনরিবা লৈবাক পাকিষ্টান অমসুং চিনাগা থেংনবা ঙম্মনবা শেমগৎখিবনি।


এয়র ফোর্সনা ফোঙদোরকখিবদা, রসিয়াদা শাবা মিক-২১ মীয়াম্না অপায়বা কূ হায়না খঙনরবা এয়র ক্রাফটশিং অদুগী মহুৎ টেজাস এয়রক্রাফট ওইনা শীন্নবা থৌরাং পায়খৎলি। টেজাই এয়রক্রাফটনা অতিয়াদা কাপ্পা য়াবা অমসুং অতিয়াদগী লৈমায়দা কাপ্পা য়াবা মিসাইলশিং পুবা ঙম্মী। অনৌবা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী স্কাদ্রোমশিংনা ট্রেনিং ওইনা শীজিন্নগদবা ফ্লাইট মরি য়াওনা এয়রক্রাফট ১৮ ফংলগনি।

টেজাস এয়রক্রাফট খূৎশিন্নবগী শিংথানিংঙাই ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। লৈবাক অসিগী ধর্ম্মগী ওইবা মীৎয়েংদা ব্রাটর কেনন অমগুম্না শিংথানরিবা টেজাস হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারি ভাজপায়ি মমিং থোল্লমখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চাংদমনিংঙাই লৈতবা অমসুং খ্বাইদগী হরাও তয়াম্বা মওংদা শিংথারদুনা হায়, লৈবাক অসিনা তৌবা ঙম্বা হৈশিংবা অমসুং ঙাকশেলগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহনবা ঙম্লে।

টেজাস জেট হিন্দুষ্টান এরোনোটিক লিমিটেদ (ঐচএএল) না শাবনি। এয়রক্রাফট অসি অপীকপা অমসুং খ্বাইদগী য়াংবা সুপর সোনিক ফাইটর এয়রক্রাফটশিংগী মনুং চনবা অমনি। সিট অমখক্তমক য়াওবা এয়রক্রাফট অদুনা চিনানা শাবা জেএফ ১৭ এয়রক্রাফটকা মায়োক্নবা ঙমগনি। পুং কয়া চুপ্না পায়দুনা চাংয়েং তৌবদা টেজাস এয়রক্রাফটতা অশোইবা অমত্তা লৈখিদে।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফ্রেন্সকী দসাউল্ট এভিয়েসন্না শাবা রাফেল ফাইটর প্লেন ৩৬ লৈননবগী থবকসু পায়খৎলি। পাকিষ্টান অমসুং চিনাগী ফোর্সশিং থেংনবা ঙম্মনবগীদমক রসিয়া, বৃটিশ অমসুং ফ্রেন্সকী প্লেনশিং ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী ফ্লিটতা য়াওহন্নবা হোৎনরি।

# করিগুম্বা ঐনা চিন কাংথোক্লবদি লৈবাক অসি নিক্কনি ঃ ইকনাথ খদসে, বিজেপি ভেটরান



এজেন্সি

মুম্বাই, জুলাই ১ঃ ইলিগেসন কয়া মায়োক্লবদগী থা অমরোমগী মমাঙদা নমদুনা ফম থাদোকখিবা মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টর ওইরম্বা অমদি বিজেপি ভেটরান ইকনাথ খদসেনা হায়খ্রে করিগুম্বা মহাক্না চিন কাংথোক্লবদি লৈবাক অসি নিক্কনি।

মহাক্কী জলগাউনগী হোম কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ঙরাং নুমিদাংব্রাইরম মহাকপু শৌগৎপশিংদা ব্রা ঙাংলদুনা হায়, ইলিগেসন কয়া অমা তৌরকপদগী তঙাই ফদনা ফম থাদোকখিবনি। করিগুম্বা লৈরিবা ব্রাফমশিং হায়দোক্লবদি লৈবাক অসি শিনবা থুংনা নিক্কনি।

নাকোয়ননা চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিসদা ঙারদুনা মহাক্না হায়, হৌখিবা এসেমব্লি ইলেক্সন মমাঙদা সিভা সেনাগা চুংশিন্নদুনা অচৌবা খোঙথাং অমা থাংখিবা অদুনা বিজেপিনা লুচিংবা এল্লায়েন্স শেমখিবা অদুদা মশামক্না চাওনা থৌদাং লৌখিবনি।

করিগুম্বা এসেমব্লি ইলেক্সন অদুগী মমাঙদা বিজেপি অমসুং সিভা সেনাগী এল্লায়েন্সপু কায়রল্লবদি মহারাষ্ট্রদা সিভা সেনাগী চীফ মিনিষ্টর লৈরমগনি। এল্লায়েন্স অদু কায়দনবা হোৎনখিবা অদুনা ঙসিদি বিজেপিনা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইবা ফংলিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইনা রেভিন্যু য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরু ওইবা পোর্টফোলিও কয়া পায়রম্বা খদসেগী মথক্তা লমগী ব্রাথোক্তা নিয়ম চুমদবা কয়া য়াওনা ইলিগেসন কয়া লাকপদগী মমাঙ থাগী অঙনবা শরুক্তা মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌখ। ফন্দাভিস সরকারনা মহাক্কী মথক্তা শিরিবা মরাল কয়া অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না য়ানিংদবা ফোঙলবসু জুদিসিয়েল কয়া তৌনবা ওর্দর তৌখি। অন্দর ব্রার্ল্ড দোন দাউদ ইব্রাহিমগী লেন্দ লাইন টেলিফোন নম্বরদগী মহাক্কী মোবাইলদা পাকিষ্টানদগী তৌরকপা ফোন অমা রিসিফ তৌরুবদগী ইলিগেসন কয়া অদু লাকখিবনি।

মহাক্না ইব্রাহিমগা মরী লৈনৈ হায়বগী মরাল শিরক্লিবা অসি মতম কুইরে। মশামক্তা লৈরিবা ইনফোর্মেসন কয়া অসিনা লৈবাক অসি নিকপা য়াবা নিক্কনি হায়বগী ব্রাফম অমুক হন্না ফোঙদোকখি।

দাউদ ইব্রাহিম নত্ত্রগা অতোপ্পা টেরর আউটফিট খরদগী অরুবা ঈ পাউ কয়া ফংবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৈরল্লবদি এটিএসনা খদসেবু খুদক্তা কষ্টদিদা থল্লম্বা য়াই অমসুং ঈ পাউ অদুসু ফংলমগনি হায়না কংগ্রেসকী ব্রাঙাংলোই অল-নাসির জাকারিয়ানা ফোঙদোকখি।

## ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগা খন্নৌ ঃ সিপিআই

এজেন্সি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১ঃ হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বনি হায়রিবা ৭ শুবা পে কম্মিসন রিকমেন্দেসন চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবগী মমাঙদা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগা খন্নৌ হায়না সিপিআইনা ফোঙদোকখ্রে।

সিপিআই সেন্ট্রল সেক্রেটরিয়েটনা পে কম্মিসন রিকমেন্দেসন অসিগী মতাংদা লুম্না লৌরদুনা ইমপ্লোয়িশিংগী ইমোলুমেন মরম চানা অমদি নিয়ম চুম্না ব্রাংখৎহনগদবনি।

হৌজিক চাদ ১৪.৩ ব্রাংখৎলে হায়রিবসি মমাঙগী পে রিভিজনশিংগা চাংদম্নবদা খ্বাইদগী নেম্বা থাকনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অদুনা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লৌখিবা ব্রারেপ অদু চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্তিবগী মমাঙদা রিকমেন্দেসন অদুগী অকুপ্পশিং অদু ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগা খন্নফম থোকই হায়না সিপিআইনা সরকারদা তকশিল্লি।

ইমপ্লোয়িশিংনা মিনিমম ব্রেজ লুপা ২৬,০০০ ওইহনগদবনি হায়না দাবী তৌরবসু লীশিং ১৮,০০০ ওইরিবসি য়াম্না নেম্লবনি অমসুং খ্বাইদগী ব্রাংবা খুৎশুমলগা খ্বাইদগী নেম্বা খুৎশুমলগা খেন্নবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক লাউথোরক্লে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি। হৌখিবা জুন ২৯ দা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবা ৭ শুবা পে কম্মিসন অদুনা অপূনবগী ওইনা চাদ ২৩.৫ হেনগৎহন্নবা রিকমেন্দ তৌখিবনি। হৌখিবা মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা পে চেনেল অসিনা জুনিয়র লেবেলগী ওইনা বেসিক পে চাদ ১৪.২৭ হেনগৎনবা রিকমেন্দ তৌখিবনি হায়রি।

## অকোম লূপনা চিলদ্রেন হোমদা তেঙবাং পীখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, জুলাই ১ঃ অকোম লূপ কংলৈপাক্কী হয়েং পাঙথোক্কদৌবা ১৬ শুবা ফাউন্দেসন দেগী নোংমা মাঙওইননা লূপ অসিনা ইম্ফালগী চিলদ্রেন হোম খরদা অচা-অথক্কী পোৎলম অমদি এর্ক্সসাইজ বুক য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফাল কবো লৈকায়দা লৈবা মহিলা কল্যান সম্মিটিনা চলাইবা চিলদ্রেন হোমদা চেঙ বেগ অমা, তিলহৌ বেগ অমা, থুম বেগ অমা, থা, হব্রাই মখল কয়া অমদি এর্ক্সসাইজ বুকশিং য়েন্থোকখি।

লূপ অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল তেনহৈবা মঙাংনা হায়, অকোম লূপ কংলৈপাকনা হেক শাফোঙলকপদগী চিলদ্রেন হোমশিংদা অঙম্বা মতেং তৌদুনা লাকই।

লূপ অসিগী ফাউন্দেসন দেগী নোংম-মাঙওইননা চিলদ্রেন হোমশিংদা তেঙবাংগী থবক অসি তৌদুনা লাকই। মতুং তারকপা চহীশিংদসু তেঙবাংগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

চিলদ্রেন হোম অসিদা অঙাং ৩৪ সু লৈ হায়রি।

## থানে এটিএম কেস ভান রোবরিগা মরী লৈননা মীওই ৬ ফারে



এজেন্সি

থানে, জুলাই ১ঃ থানেদা লৈবা এটিএম ওফিস অমদগী লুপা ক্রোর ৯.১৬ হুরানখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা থানে পুলিসনা মীওই তরুক ফারে অদুগা লুপা ক্রোর ৩.১২ ফংবা ঙমখ্রে।

থা পুলিসনা অকনবা মওংদা থীবা হুম্বগী থবক পায়খৎলকখিবা মতুং ঙরাং শগোলশেল নুমিত্তা মীওই তরুক ফাগৎপা ঙমখ্রে অদুগা অতোপ্পা মীওই ১৫ সু হুরানবগী থবক অদুদা চৈন্নে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়না মহারাষ্ট্র দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস প্রবিন দিক্সিটনা ফোঙদোরক্লি।

দিক্সিটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থানে অমসুং নাসিক পুলিসকী অপূনবা খুৎপু অমনা অকনবা থবক পায়খৎলবা মতুং মীওই তরুক অদু ফাবা ঙমখিবনি।

মীওইশিং অদুনা শীজিন্নরম্বা চাকা মরি পানবা গারী অহুম, পিষ্টোল অমা অমদি সুরি অমসু ফাগৎপা ঙমখি। মীওই তরেৎনা শাবা গেঙ্গ খুৎপু অদুনা ব্রেলদিং নাইফ অমসুং চোপ্পরশিং এটিএম বুথ অদু থুগাইদুনা লুপা ক্রোর ৯.১৬ হুরানবদা শীজিন্নখি হায়বা ঙমবা ঙম্লে।

হুরানবশিং অদুনা এটিএম বুথ অদুদা শগুন তৌবা মতমদা মোঙ্কি কেপ শীজিন্নখি। হুরানবশিং অদুনা সেক্যুরিটি গার্দ অহুম গন পোইন্টতা ফাজিন্দুনা থমখি। লোয়ননা সিসিটিভি কেমেরাগী ব্রায়রশিং থদৎখি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না, কম্পেনি অদুনা মীওই কয়ানা থমজিল্লম্বা শেনফম অমসুং সনা লুপাশিং ঙাক শেন্দুনা লৈরিঙৈদা ওফিস মনুংদা চঙশিল্লত্তুনা হুরানবগী থবক অদু চখ্খরকখিবনি।

দিজিপিনা হায়, মীওইশিং অদুনা ওফিস অদুদা হিংবা সিসিটিভি কেমেরা কয়াসু ফক্তোক্তুনা হুরানখি। পুলিসনা পুং ২৪ গী মনুংদা মরাল লৈবা মীওইশিং অদু ফাননবা হোৎনখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই কয়া লৌখত্তুনা ব্রাহং পাউহং চখ্খি হায়রি। ব্রাহং অমগী পাউখুমদা লুচিংবা অদুনা হায়, কম্পেনি অদুনা মতম চানা পাউ পীরকখিবনি। পাউ হেক ফংবগা পুলিসনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখ। হৌজিক পুলিসনা পান্নিবদি মাঙখ্রিবা শেনফম অদুগী শরুক খরা ফাগৎলে। লেমহৌরিবা শেনফমশিং অদুগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাগৎপা অদুনি।

অতোপ্পা ব্রাহং অমগী পাউখুমদা দিজিপিনা হায়, হুরানখিবা শেনফমশিং অদু গেঙ্গ মেম্বরশিং অদুনা নাসিক মনাক্তা লৈবা ব্রাদিবরদা শেনফমশিং অদু মখোয় মশেল য়েন্থোক্লুখি। মখোয় মখোয়না লৌখিবা থৌদাংগী মতুং ইন্না লুপা লাক্ষ ১০ দগী ২০ ফাওবা মীওই অমমমদা থুংখি হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি নিতেস বগব্রন (২২), অমোল অরুন কার্লে (২৬), অকাস চন্দ্রকান্ত এলাইজ চিঙ্গিয়া, ময়ুর রাজেন্দ্র এলাইজ অজিনগিয়া (২১), উমেস সুরেস ব্রাঘ (২৮) অমসুং হরিস চন্দ্র উতম (৩০) নি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## ‘পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরীশিং হাপখিবা কন্সটিট্যুসনগী ব্রাংমদনি’

অদু এনতাইতল তৌগনি হায়না পল্লি। লোয়ননা মখোয় অসি এম এল এ অমা ওইবগী সেলরি অমসুং এলাব্রেন্সশিং অদু ফংবা য়ারোই হায়বা ব্রাফম অমা য়াওরি।

মণিপুরগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরীশিং অসি মমিংদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরী হায়রগা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অমগা চপ মান্নদা পোর্টফোলিও, এলাব্রেন্স য়াওনা খুদোংচাবশিং লৌদুনা লৈরি। মসিমক গভর্নমেন্ট অসিদা মিনিষ্টর হায়বা য়াদবগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরী হায়না থোনজিল্লগা মিনিষ্টর মশিং হেনগৎহনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। মখোয়না তৌরিবা অসি ওফিস ওফ প্রোফিট ওইদে হায়দনিঙাই লৈতে।

ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা মিনিষ্টর মশীং ১২ দগী হেন্না হেনবা য়ারোই হায়না ময়েক শেঙনা পল্লবসু মণিপুরদদি পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী মীংদা মিনিষ্টর হাপচিল্লিবা অসি তশেংনা কন্সটিট্যুসনগী ব্রাংমদনি। মরম অসিনা মণিপুরগী কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অসি কন্সটিট্যুসনগী ব্রাংমদা থবক তৌবগীদমক উখায়গদবনি অমসুং প্রসিদেন্ট রুল থমগদবনি হায়না দাবি তৌরি।

ব্রাফম অসি পার্টিগী হায় কমান্দদা থাদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌনবা হায়জরগনি অমসুং করিগুম্বা এক্সন লৌদ্রবদি সুপ্রিম কোর্টতা ব্রাকৎকনি হায়খি। লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং অদুনা শিজিন্নখিবা ষ্টেটকী য়াল্লবা শেনফমশিং অদু হন্দোক্কদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌরি।

নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্টকী মতাংদা মহাক্না মখা তানা হায়, এক্ট অসি অতে ষ্টেটশিংদা মপুং ফানা চৎনবা হৌখিবগা লোয়ননা ফংফম থোকপা খুদোংচাবা পুন্নমক ফংনখ্রে। মণিপুরদদি ইং ২০১৪ দগী হৌদুনা বেনিফিসিয়ারি খনবগী থবক হৌজিক ফাওবা লোইদনা লৈরি।

সেন্সস রিপোর্ট য়েংলগা তৌগদবা থবকশিং এম এল এ অমসুং ওফিসিয়েলশিংনা অরানবা তৌবদগী হৌজিক ফাওবা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। বিনিফিসিয়ারিশিং খনবগী থবক দি সি শিংনা চেয়ারমেন ওইবা কম্মিতি অমনা তৌগদবা অদুদা এম এল এ শিংনা য়াওশিল্লিবা অসি মরম চাদে। মসি খক তৌরোইদবনি হায়খি।

এক্ট অসি থবক্তা ওন্থোকপা মতমদা চেঙ ব্রাৎপা য়ারোই, চেঙ চিংথোক চিংশিন গভর্নমেন্টনা তৌগদবনি, মসিদা লালহৌবদা তাইনশিন্নবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। মসিদা নত্তনা চিনি অমসুং থাউসু চেঙ ঙাঙনরিঙৈদা এম এল এশিংনা লোইনা লৌথোকখ্রে।

নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্টকী থবক থৌরমশিংদা এম এল এশিং য়াওবা য়ারোইদবনি হায়না পি আই এল অমা হায়কোর্টতা থাখিবা অদুগী হিয়ারিং জুলাই ৪দা চখ্খগনি হায়খি।

## সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর ক্ষেত্রি বিরেনগী লম্লাই কেন্দ্রদা নুপীশিংনা পুলিস ষ্টেসন্দা চেঙ থিনগৎখ্রে

পাম্বনা লৌবিয়ু, পামদবা কাঙবুনা লৌদ্রবসু য়াই, কদায়দা চৎলগা ব্রাকৎলুচো হায়না ফজদবা ব্রাহে ব্রাতা শিজিন্নদুনা ঙাং শকপদগী মীয়াম্না চাকথুং শুনা পীদ্রবদি চেঙ য়েনবা য়ারোই হায়দুনা থিংবনি।

পুলিস কাঙবু অমা লাক্তুনা মীয়াম্বু লাকশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু মীয়ামগী ইহৌ অদুনা কনমনবদগী পুলিসনা ঙাক শেল্লগা নুপী ৩০০ লোম্না চেঙ চিংথোক্লগা টাটাদা হাপ্তুনা লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্দা থমখিবনি।

সৈজাং চোম্বা এরিয়াগী মীয়ামদা য়েন্থোক্কদবা চেঙ এরিয়া অসিগী ফেয়ার প্রাইজ সোপ নম্বর ৪৩গী এজেন্ট এ তোম্বীনা লৈমখোঙ মপান্দা লৈবা এন রাজেন কৌবা অমগী য়ুমদা থল্লমখি। হায়রিবা চেঙশিং অদু প্রজাশিংনা লৌথোক্লগা লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখি হায়না জে এ সিগী সেক্রেটরি থোইবীসননা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অথুবা মতমদা প্রজাশিংগী ফংফম থোকপা চেঙ কোটা শুনা ফংহন্দ্রবদি মরি লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা ব্রাকৎপগা লোয়ননা মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়খি। ইডুল ফিলটর থৌরমদা বন্দ অমদি ব্লোকেদনচিংবা তৌবিগনুঃ কেঐচ অমিন

মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক লিল্লোংগী নুংগৈদা থোকখিবা নুংঙাইতবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মহৈরোই অদুগীদমক ওর্গনাইজেসননা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। থৌদোক অদুগী মতাংদা মণিপুরদা ফোঙবা পাউ-চে খরদা লান্না লৌগদৌবা ব্রাফম ফোঙদোকখিবদু লাইবক থিবনি।

পাউ-চেশিংনা লমদমসিগী অচৌবা চাওখৎপগী থৌদাং লৌরিবনি। থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউশিং ফোঙবিয়ু। নুংগৈগী থোক্লিবা থৌদোক অদুদা সরকারনা হৌজিক ফাওবা চপ চাবা থবক অমা লৌখৎতবা অসি য়ান্না লাইবক থিবনি।

অথুবা মতমদা সরকারনা থৌদোক অদুগী মতাংদা চপ চাবা থবক লৌখৎতুনা মহৌশাগুম খুন অদুদা নুংশি চান্নদা লৈমিন্নবা হোৎনগদৌবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পাউমীশিংগা উন্নহন্দুনা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খঙহনগদৌরি

থৌরমশিং অসি মীয়ামদা খঙহন্দুনা গভর্নমেন্ট অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অমগা অমগা ব্রাখল ফাওদোক্লদুনা গভর্নমেন্ট অমসুং মীয়ামগী মরক্তা হেন্না ফবা মরি অমা শাগৎপা ঙমগনি হায়না খল্লি।

মসিগী খোঙথাং অসি মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিগা উন্নবা মতমদা অসিগুম্বা থৌরাং অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না প্রপোজ তৌরুবা মতমদা চীফ সেক্রেটরিনা মদু অফবা থবক্লি হায়না থাগৎলকপগা লোয়ননা শোয়দনা পাঙথোক্লবা শিন্নরকখিবনি। থৌরাং অসি আই পি আর মিনিষ্টরগী থৌসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরগী পাউতাক লৌরবা মতুংদা পাঙথোক্লবা শিল্লকপনি হায়খি।

জুলাই ৪দা চীফ সেক্রেটরিনা হৌদোক্তুনা পাঙথোক্কদবা প্রেস কনফরেন্সশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট,গভর্নমেন্ট এজেন্সিশিংগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ৬৪গা উন্নহন্নবা থৌরাং তৌরি। নোংমদা হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট অনি অনি উন্ননবা থৌরাং লৌখৎলি।